# চয়োলগী রাষি ফল

(জনুয়ারী তাং ৫ দগী জনুয়ারী তাং ১১ ফাওবা)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** পুক্নিং ৱাখল নুংঙাইবা ৱাৎপা মতমনি। শেল ফংলবসু চৎপনা হেল্লগনি। খুত্তা তুংবা ৱাৎলগনি। শাগৈ-নাতৈ, মরী মতাগী তৌদবা য়াদবা কয়া মায়োক্নরনি। লমতু চৎপদা হেন্না চেকশিনবা ফাগনি। অশোক অপন কয়া থেংনরগনি। ৱাখল ফকচিনবা, কাউগনবা মতমনি। মীনা য়েংথিবা কল্লকপা হেনগৎপা মতমনি। অরুবা খরদি মায় পাক্লা পাংথোকপা য়াগনি। মহৈরোইশিংগী য়ান্ননবা চৎলগনি। পাখং-লৈশাবীশিংগীদি চয়েৎনবা মতমনি।

*নক্ষত্র- ১,২,৩ ফবা ৱাৎপা মতমনি।*

**বৃষঃ** অপনবা য়ৈখায়বা থেংনরবসু খর চেকশিন্না হোৎনজরবদি মায় পাকপা য়াবা মতমনি। খুদোংথিবা চয়েৎনবা মায়োক্লবসু লৈরগনি। ইমুংগী অমদি মরুপ মপাংশিংনদি নুংশিবীবা চানবীবা মতেং পীবীবা মতমসু লৈরগনি। ৱাখল চরাংনবা মতমনি। অচৌবশিংনদি নুংশিবীবা মতমনি। শেলদি চৎপা মীৱা মীশা তাবা মতম্না হেল্লগনি। পোৎ অনৌবা লৈশিলবদি য়ারগনি। মহৈরোইশিংগী কন্না হোৎনজগনি। পাখং-লৈশাবিশিংগীদি মত খেন্নবা লৈরগনি।

*নক্ষত্র- ৩, ফবা ৱাৎলি। ৪,৫ অফবা লৈরগনি।*

**মিথুনঃ** হোৎনজমন কান্নবা, খৎনবা মুক্নবা থোক্লবসু মায় পাকপা মতমনি। তিন্নবশিংগী মতেং মপাল ফংলগনি। লমতু চথোক চৎশিন্দা অফবনা হেল্লগনি। বুদ্ধি লৌশিং চাওখৎপা অরুবা থবক কয়া মায় পাক্লা পাংথোকপা মতমনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। য়েক্নবশিংনা চংজরকপা মতমনি। মহৈরোইশিংগী চেকশিনবা ফাগনি। পাখং লৈশাবীশিংগী অমনা অমবু চিংনবা মতমনি।

*নক্ষত্র- ৫,৬,৭ য়ানশিন্নবা মতমনি।*

**কর্কটঃ** অপনবা য়ৈখায়বা থেংনদুনসু হোৎনজমন কান্নবা মতম্না হেল্লগনি। হকচাংদি নুংশিৎকী অনাবনা হেল্লগনি। লোক লাইহৌ তৌগনবা মতমনি। শেলদি ফংবা, পোৎ লৈশিনবা মরুপ মফম পাক চাওখৎপা মতেং ফাবা মতমনি। ইমুংদা অফবা মতম্না হেল্লগনি। অথাপ্পা মীওইশিংদগী নুংঙাইবা পাউ তারগনি। মীনদি খরা য়েংশিনবা কল্লকপা ওইরি। মহৈরোইশিংগীদি ফনা লৈরগনি। পাখং লৈশাবীশিংদি ঈংনা লৈবা মতম্না হেল্লগনি।

*নক্ষত্র- ৭,৮,৯ হেন্না ফবা মতমনি।*

**সিংহঃ** তৌরুবা খুদিংমক্তা ৱাখল চংবা, অপনবা কয়া থেংনবা মতমনি। অশাওবা পেন্দবা খৎনিংবদি অদুম্মক লোয়নখিগনি। ইমুংদা য়ুমদা লৈবদা ৱাখল ফকলিবা তৌফম খংদবা ওইখিগনি। লমতু চৎপা হেন্না চেকশিনবা ফগনি। পুক্নিং হকচাং ফগৎপা মতমদি ওইরগনি। পোৎ মান লৈশিনবা মতমনি। মহৈরোইশিংগীদি অফবা ওইরগনি। পাখং লৈশাবীশিংগীদি চয়েৎনবা মতমনি।

*নক্ষত্র- ১০,১১,১২ চয়েৎনবা, অমুক্তংদা পাংথোকপা ৱাবা, মতম্না হেল্লগনি।*

**কন্যাঃ** ৱাহৈ মচা অমদগী অচৌবা লাঞ্জাওগুম থেংনবা খৎনবা ৱাথোকপা য়াবা মতমনি। অশাওবা খরদি হন্থরগনি। অদুবু অরু-অরুবা থবক খরদি মায় পাকপা পীবা মতমনি। মরুপ মফম হেন্না চাওখৎপা মতমনি। লুহোংবা, য়ুম পানবা য়াবা অফবা মতমসু ওইরগনি। অনৌবা মমল য়াম্বা পোৎ লৈশিবা য়াবা ওইরগনি। মহৈরোইশিংগী হেন্না অফবা মতমনি। পাখং লৈশাবীশিংগীদি হেন্না চান্নবা মতমনি।

*নক্ষত্র -১২,১৩, ১৪ অফবা মতম্না হেল্লগনি।*

**তুলাঃ** পুক্নিং অমদি হকচাং ফগৎনবা হোৎনজগনি। শেল হেন্না চৎপা, বুদ্ধি লৌশিং ফকচিনবা মতমনি। চয়েৎনবা, অপনবা থেংনবা মীচং শোন্থবা মতমনি। শেল য়াম্না ফংলবসু চৎখিবনা হেল্লগনি। ইমুংগী ওইবা অরুবা হিরম খরদি পাংথোকপা ঙম্লগনি। পোৎ অনৌবা লৈশিনবা য়াবা মতমনি। মহৈরোইশিংগী খর চেকশিন্না হোৎনবা তাবনি। পাখং লৈশাবীশিংগীদি অফবা মতমসু ওইরগনি।

*নক্ষত্র- ১৪,১৫,১৬ অফবা অমদি য়েংনবসু ওইবা মতমনি।*

**বৃশ্বিকঃ** চিংনবা ৱাখল লাংবা অমা নৎত্রগা অমা খনবা পুক্নিং লৈতাদবা মতমনি। চয়েৎনবা, অপনবা থেংনগনবা মতমনি। শেলদি ফংবা চৎপা তৌরগনি। মমাংদা পাংথোকপদা ৱাবা কয়া মতমসিদা পাংথোকপা ঙম্বা মতমদি লাক্লগনি। মরুপ মফম, ইথক থোংবা অমদি লম্লানবশিংদগী উপাইদি ফংলগনি। মসিনা থবক থৌরম পাংথোকপদা মতেং ওইরগনি। মহৈরোইশিংগীদি অফবা মতমনি। পাখং লৈশাবীশিংগীদি ফনা ইংনা-চীক্লা লৈরগনি।

*নক্ষত্র-১৬, ১৭, ১৮ অফবা চাওখৎপা, ফগৎপা মতমনি।*

**ধনুঃ** ৱাখলগী থৌনা লৈনা অরুবা খরদি মায় পাক্লা পাংথোক্লগনি। শেলদি খর অৱাৎ-অপা লৈরগনি। কোক শাবা মতমনি। ইমুংদদি ইংনা লৈবা মতমনি। মরুপ মপাংগী মতেং ফংবা, মদুনা অচৌবা থৌরম পাংথোকপা ঙম্লগনি। হকচাং লোক খরা খরা চেল্লগনি। মহৈরোইশিংগী অফবা মতমনি। পাখং লৈশাবীশিংগীদি ইংনা চীক্লা লৈরগনি।

*নক্ষত্র-১৯,২০, ২১ য়ানশিন্ননা চৎলগনি।*

**মকরঃ** হান্নদগী মিংচৎ হেনগৎপা, শীংথাবীবদা য়াওবা মকোক ওইবশিংনা নুংশিবীবা, অরুবা খর মায় পাক্লা পাংথোকপা, চথোক চৎশিন্দা কান্নবা ফংবা মতমনি। মরুপ মফম হান্নদগী চাওখৎলগনি। মতম শাংনদগী খঞ্জরকপা, মহৈ য়ানবা ঙম্বা মতমনি। পোৎ মাল লৈশিল্লগনি। মহৈরোইশিংগী ফনা অদুম্মক লৈরগনি। পাখং লৈশাবীশিংগীদি ইংনা চীক্লা লৈরগনি।

*নক্ষত্র- ২১,২২,২৩ অফবা মতমনা হেল্লগনি।*

**কুম্ভঃ** হোৎনজরুবা অয়াম্বা মায় পাক্লগনি। চাং য়েংনবা লাইবক্তা মায় পাকপা পীরগনি। মরুপ মফম পাক চাওখৎলগনি। চথোক চৎশিন্দা কান্নবা ফংবা মতমনি। অচৌবা মকোক ওইবশিংনা নুংশিবীবা চানবীবা ওইরগনি। লোক লাইহৌ তৌগনবা মতমনি। পোৎ অনৌবা লৈশিনবা য়ারগনি। বুদ্ধি লৌশিং চাওখৎলগনি। মহৈরোইশিংগী অফবা মতম্না হেল্লগনি। পাখং লৈশাবীগী ইংনা, মত তিন্ননা লৈরগনি।

*নক্ষত্র- ২৩,২৪,২৫ হেন্না ফবা মতমনি।*

**মীনঃ** ময়াম তিন্নবদা, ৱা খন্নবদা থৌশিলবা থৌবু ওইবা ওইরুদবা ফগনি। ৱাহৈ শোয়দনবা হোৎনবা ফগনি। চোপ্পা নংগনবা মতমনি। চেকশিঞ্জরবদি অফবা শোয়দনা ফংলগনি। লমতু চৎপা, মী লোয়নবদা ইশানা চেকশিঞ্জবা ফগনি। ইমুং মরুপ মফমশিংদা মত চান্ননবা শিঞ্জগনি। অরুবা থবক থৌরম খরদি মায় পাক্লা পাংথোকপা ঙম্বসু লোয়নগনি। মহৈরোইশিংগী খরা চেকশিন্না হোৎনবা ফগনি। পাখং লৈশাবীশিংগীদি অমনা ঙাংবা অমনা তাদবা মতমনি।

*নক্ষত্র- ২৫,২৬,২৭ অফবা-ফত্তবা য়ানশিন্নবা ওইরগনি।*

---

## দ্রামা

*মমাং নোংমাইজিংগী মখা*

# দেবদ রানী (অহানবা-অনিশুবা তাঙ্কক্)

**লাইশ্রম দেবেন সিংহ (এৱার্দি)**

**য়াওগদবা মীওইশিং মথংশিংনা ঃ**

১। দেব সিংহ - (হিরো)
২। রানী দেবী - (হিরোইন)
৩। মণি সিংহ - (রানীগী মৌপ্পা)
৪। প্রতাপ সিংহ -(রানীগী মপাবুং)
৫। মাধুরী দেবী - (রানীগী মমা)
৬। ইবেমহল দেবী -(দেবগী মমা)
৭। ডাঃ কমলা দেবী - (রানীগী মমান্নবী)
৮। ফজবী দেবী - (মনিগী লোইনবী)
লোয়ননা অতৈ খোঞ্জেল খরা...

**অহানবা শরুক**

**মফমঃ** *প্রতাপকী য়ুম।*
**মতমঃ** *নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবা।*
*(নোংমা নুমিদাং অমা, রানীগী মমা মাধুরী দেবী অমদি মপাবুং প্রতাপ সিংহ - মচানুপীগী মরমদা.....)*

প্রাতাপ ঃ তারিবরা মমা, করি থোংঙি?

মাধুরী ঃ মহোয় পাবুংনা চানিংঙি হায়দনা শোনখিবা পেংবা থোংঙে, অমনা ইরোল্লি, চস্ফুৎ অমসু য়াওই।

প্রতাপ ঃ হাওরনিদা। ঙাদুমা থোংলগা অমা মেৎলগা য়ারবদুদা, মথেল মকোই অমুক হোৎনরিবা। ইবেম্মা রানীনা থোংলিরা?

মাধুরীঃ উম ইবেম্মনা। খুৎহাও-মনিদা মহোয় পাবুং হেক্তা খোইথুম্ননা হাওখ্রবা জাৎনিদা। ঐখোয় ইমা ইচাদি চাক হেক লোইবগা চারে। মহোয় পাবুংগা নুপামচাগত্তা ঙাইরে। খোং-খুৎ হামদোকপীরুরো খোংহাম্বুলদা ঈশিং অশাবসু থমজরম্মবনে। চাক চাননবা হোৎনজরম্মগে, সিদগী ফি-রোলসি হোংদোকপীরো।

প্রতাপ ঃ (ঘড়ি য়েংলগা) নত্তে মমা হৌজিক ফাওববু নুপামচা মণি লাক্ত্রিবকো! করিনো মানা তৌরিবসিনা। মতম্না মতম ফৎত্রিবা। হৌজিক্কী মতমদা মী অমা শিবগী অর্থ লৈত্রবসিদা।

কৈদৌদনা- মমা নখোয়বু, নচানুপাদো শোইজনিকো। লাইরিক তম্লিবনি হায়দুনা নোংমতা লাইরিক পাবগী ৱা-লৈত্রে, চাওখৎলিরা চাওখৎত্রিরা নোংফুং ঙাওবগা বোই মচা খরগা আফিসার মচাদু মঙাই, সাইকল অমগা কাতু-কারল। মখোয়না চৎখিবা মওংসে মমা-ঐহাক মিৎ নাইকো।

মাধুরীঃ অদো মহোয় পাবুং। ঐতগী দায়িত্যা নত্তেদা, মহোয় পাবুংদি -?

প্রতাপ ঃ হায়- অঙাওবী, অপংবিসিদি। জগত্তনে শল লাবা অমত্তনা শনাও চেন্দবনি। মচা লাক্তবদা মনিনা খোংলিবদুনি। ননাকোংদো তারিবা নৎত্রো মখাথংগী শ্যামহোয়গী শঙ্গোলদা।

কান্নদে ইবেম্মা-মাধুরী নমিংনা হেক মাধুরী দিক্সিৎ মাল্লদনা। নংগা ঙাংনবা ঙমজদে। লাকও চাখুম চংলসি চাক চখোম মত্তংদি চাগেদনা।

মাধুরীঃ চংঙসে। আ-ঙাদো ইবেম্মনা পাবুংগীদি অমা হাপ্লম্বনি, নুপা মচাগীনা অমগা মথা অমগা। চারগা খংলনি, মহোয় পাবুং, ফম্বীরো - ফম্বীরো।

প্রতাপঃ ইস! সিদি মহাও-মনিদনা। কিলোদা কয়া ?

মাধুরীঃ লুপা ৫৫০ নে। তশেংনদি মসিমক লৈগে খুল্লুদে। ঐনা সুম লাকপদা ঙায়োনবী অমখক মীনা ক্রিক-ক্রিক ইন্না লৈরম্মী। য়েংলুবদা পেংবা ওইরম্বগী ৱানিদা, মহোয় পাবুংনগা পামজবদুগা আ-চাদুম চাথোক্কে খল্লুবদগী হেক্তা...।

প্রতাপঃ উম, হৈ-হৈ থোংবা থাকপদি ঐখোয় ইবেম্মা রানীসে। থাজখিগদবা পাম্মুইদা মমা, ইচাসে।

মাধুরীঃ ঐসু খল্লমলিবনি মহোয় পাবুং। মানবু য়ুমসিদা কয়াম-কুইনবু লৈরগদগে। লাইরিক তম্বা-লোইরগদি মাগীসু মফম অমদি খংননবা হোৎনবা তাবনি।

প্রতাপঃ লৈহনখিনি চহি ১০ রোমদি, ইচাবো।

মাধুরীঃ 'দু ওইরদি হনুবনা হাল্লনি, হৌজিক্কী মতমদদি মমান্নবীশিংদি অঙাং নাওরোল ৩-৪ শুনখ্রবনে।

প্রতাপঃ মদুনা মীগীনিদনা। নত্তে মমা নখোয়গীসিবু চাক্কা--।

মাধুরী ঃ লৈত্রেদা, ফনসু য়াম্না থীরম্বনিকো নচানুপী রানীনা- পেংবা থোংঙি হায়দনা।

নত্তে, ঙাংনগদবা ৱাবু ঙাংনদ্রিনে ঐদি।

প্রতাপঃ আ-- কাদা লৈরম্মো, লাকঅগে।

মাধুরীঃ (কাদা) ঐহাকপু হৌদোক্লসিরনে। হয়েংৱাই নুপীমচানা করিগুম্বা চেনখিবা থোক্লদি - মমা ঐঙোন্দা তাগদৌরিনে..., অদুনদি মতাং চারিঙৈদা-।

প্রতাপ ঃ কৈদৌবা কৈদৌবা?

মাধুরীঃ মহোয় পাবুং ৱাফমসে শাওবিবা য়াদে। আ নচানুপীনা হায়জরিবসে থা অমরোমদি ফারমাল্লে আ.. মাগী সবজেক্ট অমখক শোল্লে, অদুনা প্রাইভেট তমগে হায়রিবা।

প্রতাপঃ করি বিষয়দা?

মাধুরীঃ ইকোনি- নত্তে-নত্তে, হায়জবগা খংদেদা, আ ইকোনোমিক্স হায় মাল্লে।

ওঝাদুসু এম এ নি, প্রাইভেট কলেজ অমদা ওঝা ওইরিমাল্লে। মমিংদুবু আ..আ দেব হায়মাল্লে মহোয় পাবুং।

প্রতাপ ঃ কনাই মচানো, কদাইদগী...?

মাধুরীঃ মমাগী মমিংদি শান্তা, ৱাংখৈ অচোম লৈকাই হায়মাল্লে।

প্রতাপ ঃ হায়স! ৱাংখৈ অচোম লৈরক্তগী শান্তা দেবী, শোইররোই, মোইরাংথেম শান্তা শোয়দনা ওইরম্লনিদো!

মাধুরীঃ ওইজসনু, ওইরগা মহোয় পাবুংদা কাইব্রো? অঙাংগী প্রাইভেটকী খন্নবনা অদুক পেখরিববো?

প্রতাপঃ পেখদবা য়াদবনিনি মমা। নচানুপীসে অঙাং নৎশিল্লক্ত্রবনে, জ্ঞান তাওনে। ওঝাসু এম এ লোয়ননা বেচেলর ওইরবা, কোক হেক চেনখ্রগদি হা?

মাধুরীঃ মদুতবু হেক থোক্লগদি ঐগী ৱাদি চাওনা লুহোংথোকপীরগা লোইরে। নত্তে নত্তে, মহোয় পাবুংনা অদুক জোনে-চংনা শান্তা খঙলম্লিবগী মরমদো হান্ননা খঙনিংঙে ঐদি।

প্রতাপঃ মতম অমদা মরী লৈনরম্মী, 'দুগী ৱানি মমা নংবো..।

মাধুরীঃ মহাক লৌহৌদ্রবদি ?

প্রতাপঃ মঙোন্দগী নহাক্লা শক ফজবা হেনখিবাদুগী মথক্তা ঐনদি ঠিকাগী শেল পুথোক পুশিনদি নখোয়গী অহলদগী তৌইদো।

মতমদুদা নহাক্লসু নখোয় অহলগী শেল থুমগী চুমঝোদি নহাক্লা পায়দো, ঐনা শিকি হায়বদা, লোন্না নহাক্লা লুপা ৫ পীখিবা। খুদোংচাবা হায়বসিদি তোইনা ফংদবনি খনবদগী নহাক লৌখিবগী ৱানে পেম্মা। (নোকমিন্নে)

মাধুরীঃ হৈমা, মসিবু হায়নি -হায়দনা হায়রিনে, ইকাইগেদি হায়দ্রদুনা অঙাংশিং পাখং-লৈশাবী ফারক্লবা মতমসিদা। ওহোক্লসু মঙাও থীদা।

অদুদি য়ারে হায়দনা ইবেম্মদা হায়খ্রগে। প্রাইভেট হায়সু ঐখোয়দা তৌনি হায় রানীনা।

প্রতাপঃ নখোয়গীসি প্লান তৌরগা হোৎনবা মাল্লিকো মাধুরী।

মাধুরীঃ নত্তে কৈসু। (পুন্না নোকমিন্নে)

(মনিনা থোংদা দং-দং থীল্লি)

মনিঃ (লৈয়েং ফাইনা) ইমা-ইমা থোঙ হাংঙো। চাক লাম্মে।

মাধুরী ঃ হুঁ মনমসিদি। নপাবু তুমদ্রি, চংখ্রো নংগী কাদা।

মনিঃ করি ইনশাং?

বাধুরীঃ পেংবা থোংঙি, নংগী কাদা পুরক্লগে।

মনিঃ ইমা নুংশিবী.., নচা চংঙে-চংঙে।

প্রতাপঃ হায়, নং কৈদা চৎলুই হা? মতম মশক খঙউকো। নপাবুংদি ৱা ঙাংবা পামদে, থবক্লা উৎলক্কীনিকো, মথং অমুক তৌরক্লদি নং..।

মাধুরীঃ লেপ্পসু হাইবা, নশক্তু য়েংনিদ্রে কো।

মসি ওইরে ইচানুপা পোকপগী মহৈ। খরা হেন্না ঙাংলুরে, মতমসিগী য়াওন্দা গোক চেন্থখরো কমদৌনিসিদি।

প্রতাপঃ য়েংঙোই, ইমুং-মনুংগী মকুপ মতাদি মমা নংগী হক। নেপোলিয়ন বোনাপার্টনা হায়খি, 'ঐঙোন্দা অফবা মমা-অমা পীয়ু।' অর্থ য়াম্না লৈবা ৱাঙাংনে মাধুরী।

মাধুরীঃ মহোয় পাবুং।

প্রতাপঃ অঙাংশিংসু লাকএ, ঐখোয়সু পোত্থারুরসিদনা।

মাধুরীঃ মহোয় পাংবুং।

(মৈ মুৎপা)

**অনিশুবা শরুক**

**মফমঃ** *লৈকোল।*
**মতমঃ** *অয়ুক পুং ৯-১০ লোম তাবা।*
*(রানীনা লৈখোং শোম্বা লোইরগা ঈশিং পেরেনা ঈশিং চাইরি। ঈশিংগী মরিক্লা লৈরাং লৈনাদা য়ৈবদা তুরোই ঙাপ্লোই তৌবা উবদা)*

**ঈশৈ**

রানী ঃ

লৈশাৎ-তমলোনে, ঙসিদি লৈকা ফন্না
পীরক্লনি অমৃত, নখোয়গীদমক ঐনা।

নোংমদি কেনখিনি, তিনখিনি মালেমদা
পুন্সিগী পাওখুম, কনানা পীরনি -পীগনি
মালংনা ৱাবিরোই, কাইনবৈ মৈশা
পীরাংনা ওইরদ্রা, নুংশিবৈ পন্থুং

হায়য়ুনে ইতারোই, তম্মুনে লোন্না
থম্মোয়না ৱাজেদা কেনগদবা লৈখোক্তে
নখোয়গা, লোয়নবা, থম্মোয়না পামজে
ওইহনবিয়ু মফমদো নুংশিবা মাগীদা।

(দেবনা লোন্না ঈশৈ তারবগী মতুংদা লৈতুম মচা অমনা রানীদা থাই, পান্দে, মতৌ য়েংঙি। অমুক থাই, মনগঙ্গন্দা পাল্লি। শাওবগুম্না)

মথং মথং....

---

# হিমালয়গী য়েতিগা মায়োক্নবা ঙম্বা এম্বোনী

মমাংগী মখা...

মহাক্কী অপাম্বগী মতুংইন্না নেপালগী লম্বেলদগী হৌরগা হিমালয় কাবা হৌরকখি। মথৌন ফবা এম্বোনী হিমালয়গী অকিবা ফংনা চপ-য়ুংনা ঙম্বা চিং কাখৎলকই। মফম অসিগী পুক্নিং হুনা ফজ-ফজরবা দৃশ্যশিং ফোটো কয়ামরুম লৌশিল্লি। অহিংগী মতম ওইরকপদা নোং-চীংগী ফিভম য়েংলগা মহাক্কী অপিকপা টেন্ট খনখৎলগা পোত্থাই। নোংফুং ঙানবগা ফুক হৌগৎলগা চৎলগা য়েতি থিবগী থবক্তা মায় ওন্সিল্লি। অসুম্না সুম চৎপনা মমৈথংদা মহাক্লা য়াম্না ৱাংবা চিংদোন অমগী মথক য়ৌবা ঙমখি। চিংদোন অসিগী মফম খুদিংমক্তা না-পী শিংবী, উ-ৱা হৌবগী মমি লৈতে। মফম অসি য়ৌবগা মহাক্কী পুক্নিংদা য়েতি শোইদনমক্কী থেংনরগনি হায়বগী নুংঙাইবা ৱাখল অমা ফাওরকই। মহাক থৌনা হনবা লৈতনা য়াম্না নুংঙাইবা অচৌবা আশা অমগা লোয়ননা মাঙলোমদা খোঙ থাংজিনবা লেপ্লমদে। নোংমা মহাক্লা ইহাং হাংবা উন ঙাক্তনা মপাক-মপাক মিংশেল পাক্লা চনবগুম ফৌরা ফৌবা চীংমায়দা খোঙ্গুল মরী-মরী শাংনা তাবা উরকই। মসি মহাক্লা ফোটো নমশিল্লি। অমুকসু নোংমৈ খুদুম চেৎনা পায়শিনবদি কাওদে। খোঙ্গুল অসি শোইদনবমক্কী য়েতি নৎত্রগা উমংগী মীগী খোঙ্গুল ওইগনি থাজৈ, মরমদি মীগী খোঙপাক্কী খোঙ্গুলগা মওং হায়রপ মান্নবনা। মিকুপ অমগী মনুংদা খোঙ্গুল অসি মহাক্লা য়েতিগী ওইরগনি থাজরকখি। চীং কাবদা নাপল তৌজবা এম্বোনী য়েতি উবা ফংদনা হল্লগদ্রা হায়দুনা থৱায় নুংঙাইতবা পোক্লুরবনি। অদুবু মদুমক্তি ওইরোইদৌবা মাল্লকখি।

> তেনালিরামগী ৱারী
> অবুজম ইবোপিশক লুৱাং

এম্বোনীগী ৱারীগী মতুংইন্না নুমিৎ খরনিগী মতুংদা মহাক্লা অচৌবা জীব অমা উনগী লৈমায়দা মখোঙ লাওনা-লাওনা কান্দুনা চেনখ্রগা উরক্তা চংখিদুনা লোৎখিবা উহৌই। মসি মহাক্লা তান্ন-তান্ননা ফোটো নমহৌই। মসিগী মতুং নুমিৎ ময়ুম চংখিবগী তাঞ্জা ওইরক্তুনা মহাক্কী লৈফম টেন্টদা হল্লক্লিঙৈ মনুংদা মনাক অনকপদা লৈবা মোংশোংদগী শাগুম্বনা চৎপগী নাশোনগা লোয়ননা তপ্পা ঙংবগী মখোল অমা য়াম্না নক্লা তাবা ফংলকই। এম্বোনীনা খোঙলৈ থুনা তারিবা মখোলগী মায়কৈ অদোমদা মায় ওন্সিন্দুনা য়েংই। মহাক্লা অকিবগী মশক ওইবা জীব অমা লেপ্তুনা লৈরম্বা খুদক্তা উরকই। মসি মাঙোন্দগী চাওরাক্লা ফুট ২০ মুক্তং লাপ্লে। অকিবগী মশক ওইবা য়োংগী মওং মতৌ মাল্লি। য়েতি ওইগনি চিংনবা জীব অসি চাওরাক্লা ফুট ৬ ৱাংই, য়োংমান মচুনি, মশা-মউ নোয়-পেল্লি। য়োং-মী অসি ফন-কুইনা মহাক্লা লৈরিবা মফম অদুদা লেঙদনা লেপ্তুনা লৈ হায়বদি মহাক্লা করিগুম্বা মখল অমতগী মাঙোন্দা খৎনবা হৌরকপগী ফিভম উদে, অদুম ওইনমক এম্বোনী মিকুপ-নাহুম শিংনা পাখৎপা তৌদনা য়েংদুনা লৈ। মিকুপ খরগী মতুংদা এম্বোনীনা য়োং-মী মোংশোং মরক্তা খঙহৌদনা মাংখি। এম্বোনীসু টেন্ট মনুং চংদুনা পোত্থাই।

এম্বোনীনা ইংলণ্ড হল্লক্লগা মহাক্লা য়েতি ওইগনি চিংনবা মদুগী খোঙ্গুল অমসু মশাগী কাপ্লকপা ফোটো চামথোক্লগা য়েংনখি। মহাক্লা কাপ্লকখিবা ফোটো মালেমগী জীবশিংগী থিজিনবা বৈজ্ঞানিক্কী মকোক থোংবশিংগী মফমদা য়েংহনখি। মসিবু য়েংলিবা মখোয় খুদিংমক তুমিন-তুমিন য়েংনখি। মখোয়না অঙকপা ফোংদোকই- মমৈ অমসুং খুজিন চৌনা পানবগী মথক্তা ময়াসু য়াম্না চৌবা য়োং মানবা জীব অসি করম্বা মখলগী মী ওইবা য়াই। চপ-চাবী চাংয়েং তৌরবগী মতুংদা মীগী শওং-শাদা মানবা জীব অসি য়েতি ওইবসু য়ানা লৈ হায়না লৌনখি।

মালেম অসিদা ইহান-হান্না য়েতি মশক উবা ফংবা ঙম্বা মীশক এম্বোনীনা ওইরে। ১৯৮৬ কী মতুংদসু অতোপ-অতোপ্পা মীরৈবাক মচা কয়া-কয়া হিমালয়গী চীংশাং নাপোমগী উমং-ৱামং মরক্তা য়েতি থিবা লাক্লখি অদুম্নদি ওইরগা মখোয় কনা অমত্তনা ঙসি ফাওবগী মনুংদা য়েতি থেংনখিদ্রি।

---

## খোঙ্গুল

কদাইদা লৈখ্রে ইমা
সত্যনা উনগুম কীন্থখ্রবদা
নমথাক্লা ঈচাওগুম হৌরক্লবদা
কিরবরনে ইমা!
অচুম্বা মঙাল শামখ্রবদা
মীৱাই নুংশিৎনা তিল্লবদা
মিনুংশি চাওবী নথম্মোয়দো
লোৎলগে নীংলবরা ইমা!
লৈখা তারবা উহৈশিংগী
চোইনা কেল্লবী লৈনাশিংগী
ৱারীদা অৱা অনাগী
য়াতোন তুম্লবরনে ইমা!
চিক্লবা চীংগী চীংদোন্দা
শজি শঙাই শান্নফমদা
চীন্তা'ই পোৎলুম পুদুনা
লাই নীংলিবরনে ইমা!
অমম লোক্কী লোক্লুংদা
পথরবা উনা শীংনারক্তা
ওন থোইনা খাঙদুনা
তেংথা নাওইরিবরা ইমা?
লোৎখিগদগে কয়াম কুইনা
হুন্দোক্লগে খল্লবরা নারক্তা,
মীনুংশি খংদ্রবা নচাশিংবু
ইম্বোক্লিবরা তাম্ল চীংনুংসিদা।
শাৎত্রবরনে লৈকোলসিদা নীংথিবা লৈ
হৌদ্রবরনে অৱাংবা উপাল
চীংলোন মাপনসি হেনগৎপা
থৎখ্রবরনে ইমা, পীক্লবা পলসিনা?
কংলৈ লৈকোল লৈনুংসি
পোমখিবদাই থম্বালনু
শাৎখিবদাই কোম্বীরৈ
লৈনম্না লৈকায় শীনহৌরি।
অদুবু ইমা নহাক্তী
ফাইরেলগী অঙাওবা লৈচিলগী
মবুক ফাগে হোৎনবদা
ৱাখল মালংদা তাউরিদো।
ওমচাক্লর কালেনগী মৈশাদা
করিগী শীন্থদনি ইঙাগী নোং,
করিগী শিন্থদনি মীৎকী পি।
তোক্লো ইমা! তোকপিরো
লম্মাংনরবা নচাশিংবু চেৎনা
কোনশিনবিরো অমুক হন্না
লেঙশিনবিরক্লো প্রেমগী আসন্দা
লাৎচরগে পুক্নিং লৈকোন্দা।
বসন্ত লৈরাংনা শাৎলিঙৈ
বসন্তা গুলাপ্পা কেন্দ্রিঙৈ
য়েৎলবসু লৈখোক্তা লিনখাক
কচ্চগে পুক্নিং লৈরাংদি।
মমি মুৎত মালেমদা
লীজগে খোঙ্গুল ইমাগী,
করিগী ঙম্লোইদগে
খোঙ্গুল্লকী লৈরাংনা শাৎলিমখৈদি?

*নিংথেমপিশক ৱাইরোকপম*

## পিরাং

লাইশ্রম দেবেন

শিন্থরনু পিরাং
খাংলগে অসুম তুমিন
লেল্লগে মৈচাক'সে পুদুনা।।

উরগা কনানা অমুক
থম্মোয় মচেৎ তারনি
কাইনা মৈশা লাংলনি
পীজনিংদে অৱাবা কনাদা
ইদোম তুমিন লেঞ্জগে
লাইবক্কী মহৈনি খল্লগে।

লোইবা নাইবা মপোক্লি
ফংলনি শরুক নোংমদি
নাম্বোকপা ঙমলোই কনাসু
থৈদুনা চৎপসু ঙমলোই তাইবংনা।।

## হংলরনু থম্মোয় ৱাবু

আরকে বিমোল
শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ

থম্মোয় ৱাবু হংলরনু নাপদা
হৌজ থেংখাং কয়ারক
চৎলিবনি মতম ঈচেল ৱাংমদা
শানিংখৈ শাজসনু মীমাঙ থোক্লা ৱারী।

চত্তবদি য়াদে খরখৈ
মান্ননা মীয়াম মরক্তা
নুং-পান্নী চৎলিবা খোঙচৎ
থেংনৈ অপনবা খুদোংথিবা কয়া।

মান্নবশিংগী মরক্তা তোঙান্না
তোপ তোপ্পা লীচৎ অমদা
চাংয়েং কয়া তৌরি
অমুক লুশিন্ন ইচম চম্না।

পুন্সিসে পরিক্ষানি লেপ্তবা
লোইদ্রিফাও হিংইফাও
তন্দুনা খক লৈথোক্তে
থেংনবসি পুন্সিনি অফবা মায়কৈদা।

য়াম্না থাপ্পা চৎনিংলে
হৌজিক্তি চাংচৎ অমদা
অমনা অমবু মীনম্লে
নাংচুবা লৈত মশাগীতা।